## খরগে মমিংতগী ওইবা প্রসিদেন্টনি

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু এম পি ওইবদগী দিসক্কালিফাইদ তৌখিবা অদুগী মতাংদা ওপোজিসন্দা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লরক্লিঙৈ মরক অসিদা কোংগ্রেসকী হান্নগী ভেটরান লিদর গুলাম নভি অজাদনা ফোংদোকখিবদা মালিক আর্জুন খরগেবু কোংগ্রেসকী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবসু প্রসিদেন্ট অমা ওইবগী থবক্তী মহাক মশানা তৌবা ঙমদ্রি। রাহুল গান্ধী অমদি সোনিয়া গান্ধীগী রিমোট কন্ট্রোলদা খরগেনা থবক তৌই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখবদা রাহুল গান্ধীবু কৈদৌনুংদা মহাক্না ফত্তবা মীনি হায়রোই। রাহুল গান্ধী মশা খক্তগী য়েংলগদি য়াম্না ফৈ অদুবু পোলিটিক্সকী মতাং য়ৌরকপা মতমদা মহাক্কী তোঙানবা প্রোব্লেমশিং লৈরম্বা য়াই। কোংগ্রেসতা মহাক্না লৈরিঙৈ মতমদসু রাহুল গান্ধীগী প্রোব্লেমশিং মায়োক্নদুনা লাকখি হায়রি।

পনবা য়াবদি মমাং চহিদা কোংগ্রেসকী হান্নগী লুচিংবা অমদি পার্টি অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মীওইনি হায়না লৌনরিবা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর গুলাম নভি অজাদ কোংগ্রেসতগী তোল্লবা মতুং মশাগী ওইবা পার্টি অমা লিংখৎখিবনি।

## সমাজৱাদি পার্টিদগী চেকশিনগদবনি

লক্ষ্নৌ, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা লৈরিবা দলিটশিং, ও বি সি অমদি মুস্লিমশিংনা সমাজৱাদি পার্টিদগী য়াম্না চেকশিন্না লৈগদবনি হায়না বহুজান সমাজ পার্টি (বি এস পি) গী সুপ্রিমো ময়াৱাতিনা ফোংদোরক্লি।

পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাংলদুনা ময়াৱাতিনা ফোংদোকখবদা সমাজৱাদি পার্টিনা লাইনিং লাইশোনগী মিংদা পোলিটিক্স তৌরি। মসি য়াম্না লাইবক থীবা থৌওংনি। এস পি অমসুং দি এস পি হান্না অফবা মরী লৈনরমখি অদুবু এস পি না কা হেনবা থবক থৌওংশিং চত্থরকপদগী পার্টি অনি লাপথোক্লখিবনি হায়রি।

## বি জে পি এম এল এ এসেমব্লিদগী থাংদোকখ্রে

পটনা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা বিহার এসেমব্লি সেসন্দা রাম নভমি ভাইওলেন্সকী থৌদোক্কা মরী লৈননা বিহারগী এম এল এ অমসুং বি জে পি লিদর জিবেস কুমারনা হাউস মনুংদা চরাংনবা থোকহন্নবা হোৎনৈ হায়বগীদমক মার্সেলশিংনা এসেমব্লি মনুংদগী থাংদোরকখ্রে হায়রি।

মার্সেল ৪ না মহাকপু এসেমব্লিদগী থাংদোরকপগী ভিদিওশিং সোসিয়েল মিদিয়াদা উনখি। মার্সেলশিংনা মহাকপু মখোঙ অমদি মখুৎ পায়দুনা থাংদোরকখিবা মতম অদুদা ওপোজিসন লুচিংবশিংবু রুলিংদা লৈরিবশিংনা ৱা ঙাংবগী অয়াবা পীদ্রি। ৱা ঙাংলুরবসু হাউসতা ইরাং শাগৎলি হায়দুনা নম্ফুদা হাউসতগী ঐবু থাংদোরক্লিবা অসিনি। বিহারদা লৈরিবা চিফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রগা বি জে পি দা তাইশিন্নরিবা অসি লাইবক থীবনি। নিটিশ কুমারগী ৱাফমদা মীয়াম্না থাজ রোইদবনি হায়রি।

# রিশ্রা টাউন্দা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌখ্রে, ইন্টরনেট মখা তানা সস্পেন্দ তৌখ্রে



রিশ্রা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হুগলি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রিশ্রা টাউন্দা রাম নভমি প্রোসেসনগা মরী লৈননা কাংলুপ অনিগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক রিশ্রা টাউন্দা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেট সার্ভিস সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না রিশ্রা টাউন্দা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈত্রি। পুলিসনা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম অয়াম্বা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি। খুদোংথিবা থোকপা য়াবা মফমশিংদা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌখ্রে। আই পি সি গী সেক্সন ১৪৪ থমজিনখ্রবা মফমশিংদা মরম চাদনা য়ুমদগী মপান থোকপা য়ারোই। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হান্নগী পুন্সি মহিং হঞ্জিলহল্লক্লবা হোৎনরি।

চন্দানগোর পুলিস কম্মিস্নরেটকী সেনিয়র পুলিস ওফিসার অমনা ফোংদোকখিবদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিংদা চেন্নবনি হায়বা মীওই খরা পুলিসনা ফারে। ইন্টরনেট সার্ভিস সস্পেন্দ তৌদুনা থমখিবা অদু মীয়াম্না মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোক্লরবসু পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক মখা তানা ইন্টরনেট সার্ভিস থীংজিনখিবনি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা বি জে পি গী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট দিলিপ ঘোস অমসুং পার্টি অসিগী এম এল এ বিমান ঘোস য়াওনা রিশ্রা টাউন্দদা চৎখিবা রাম নভমিগী প্রোসেসন্দা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোকশিং থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা বি জে পি এম এল এ বিমান ঘোস শোকপদগী হোস্পিটালাইস তৌখি।

অমরোমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নর সি ভি অনন্দ বোসনা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা রিশ্রা টাউন্দা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনসু ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক অদুগী মতাংদা রিপোর্ট অমা অথুবা মতমদা পীখৎলক্লবা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্নমেন্টতা খঙহনখ্রে। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু গভর্নরদা ফোন তৌদুনা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

# দেল্লিগী রামলিলা গ্রাউন্দদা মশিং য়াম্লবা লৌমীশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৌমী অমসুং শিন্নমীশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং মপুং ফানা ফংহন্দে হায়বগী মায়োক্তা ঙসি লেফ ৱিংগী তোঙান তোঙানবা ত্রেদ য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা দেল্লিগী রামলিলা লম্পাক্তা লৌমীশিংগী খোঙজং চংশিনখ্রে।

ঙসি চংশিনখিবা লৌমীশিংগী ওইবা খোঙজং অদু সেন্তর ওফ ত্রেদ য়ুনিয়ন্স, ওল ইন্দিয়া কিষান সভা অমসুং ওল ইন্দিয়া এগ্রিকলচরেল ৱার্করস য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা পাংথোকখিবনি। খোঙজং অদুদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মরুওইনা হরিয়ানা, পঞ্জাব, রাজষ্ঠান, উত্তর প্রদেশ, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মির, মহারাষ্ট্রা, অন্ধ্র প্রদেশ, তেলঙ্গানা, কেরেলা, কর্নাটকা, আসাম, ত্রিপুরা, মণিপুর অমসুং গুজরাটতগী লাকখিবা লৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমী শিন্নমী কয়ানা মখোয়গী মচা-মশুশিং লেম্না মহৈ তম্বা ফংহন্নবা, হেল্থ সেক্তরশিংদা লৌমী-শিন্নমীশিংগী তোঙানবা খুদোংচাবা পীনবা ৱাফমশিং দিমান্দ তৌখি।

খোঙজং অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ওল ইন্দিয়া কিষান সভাগী লুচিংবা অমনা ফোংদোকখিবদা মতম কয়াগী মমাংদগী লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৌমীশিংগী ওইবা দিমান্দশিং লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস ফংহন্নবা অমদি সেন্তরনা পায়খৎলক্লিবা স্কিমশিং লৌমীশিংদা মপুং ফানা ফংহন্নবা দিমান্দশিং য়াওনা অতোপ্পা দিমান্দ কয়া তৌদুনা লাক্লি। অদুবু লৈরিবা বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী দিমান্দ অসিবু য়েংশিনবগী মহুৎতা লৌমীশিংগী মায়োক্তা ওইনা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। লৈবাক অসিগী লৌমী-শিন্নমী কয়ানা বি জে পি না লুচিংবা সেন্তরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিদা অশাওবা পোক্লরে। লৌমীশিংনা তাক্লিবা দিমান্দশিং ফংদ্রিবা ফাওবা তোঙান তোঙানবা মখলগী খোঙজংশিং চংশিন্নবা শেম শাবা লোইরে। পামদবা থৌদোকশিং থোক্লক্ত্রিঙৈদা লৌমীশিংগী দিমান্দ পীথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## 'উধব থাক্রেনা ঐবু হাৎনবা হোৎনরমখি'

মুম্বাই, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

সিভা সেনা (য়ু বি টি) গী লুচিংবা উধব থাক্রেনা য়ুনিয়ন মিষ্টির নরায়ন রানেবু হাৎনবা খুনেক্কী ওইবা মীওইশিং নেকলমখি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা মরাল শিরক্লি।

পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাংলদুনা বি জে পি গী এম পি সু ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী নভেম্বর থাদগী কুমজা ২০২২ গী জুন থা ফাওবা লৈরম্বা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনা লুচিংবা লৈঙাক্না মহারাষ্ট্রদা করপসনগী ওইবা থৌওং কয়া চত্থরমখি। মদুগী মথক্তা উধব থাক্রেনা ঐবু হাৎনবা খুনেক্কী ওইবা মীওইশিংদা য়াল্লবা শেনফমশিং পীরমখি। অদুবু মহাক হাৎনবা কোন্ত্রেক পীখিবা মীওইশিংগী মরক্তগী অমনা তুমিন্না পাউ ফাওরকখি অমদি চেকশিন্না লৈনবা খঙহল্লকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা উধব থাক্রেনা মহাক হাৎপা ঙমখিদবনি। হৌজিকসু মহাকপু হাৎনবা হোৎনরি হায়বগী রিপোর্টশিং লৈরি।

অদুমওইনমক সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পি গী লৈঙাক অসিবু মীয়াম্না মপুং ফানা থাজবা থম্বনা মরম ওইরগা মীয়াম্নসু লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা লুচিংবশিংবু থাজবা থম্মী। মরম অদুনা উধব থাক্রেনা মহাকপু হাৎনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদবনি হায়রি।

# মী কনবগী থবক মখা তানা চত্থরি

গেংতোক, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

ইষ্ট সিক্কিমগী জৱাহরলাল নেহরু রোডতা ঙরাং উন নিংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৭ শিহনখিবগা লোয়ননা ১৩ না অশোক অপন নংহনখ্রবা মতুং মখা তানা মী কনবগী থবক চত্থরি হায়না মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরক্লি।

হৌখিবা লৈবাক পোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা জৱাহরলাল নেহরু রোডতা লৈবা ১৫ মাইলদা খঙহৌদনা উন নিংখাইরকখিবনি। মদুদা লম কোইবা লাকখিবা চহি নৌরিবী অঙাং অমা য়াওনা পুন্না মী ৭ শিখি। উন নিংখাইবগী থৌদোক অদুদা গাড়ী ৫ রোম ননশিন্দুনা লৈরম্বা য়াই চিংনবদগী থী হুন্বগী থবক চত্থখি অদুবু নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তারকপদা মখা তানা উন নিংখাইবা য়াবগী খুদোংথিবা উরকপদগী মী কনবগী থবক অদু লেপখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি অয়ুক্তগী হৌরগা অমুক হন্না মী কনবগী থবক চত্থবা হৌখিবনি।

লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি শিভ পি এস দি লমিচনে, অশিকা ধাকল, রেবিয়া সিংহ, বাল সিংহ, সৌরফ রোই চৌধরি, প্রিতম মতি অমসুং মুনা শাহ সেষ্ট্রানি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ৩ না নেপালগী সিটিজননি। অদুগা ২/২ না উত্তর প্রদেশ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদগীনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরনা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়ান ভিক্টিমশিংগী ওইনদি চৎনবী মতুং ইন্না পীফম থোকপা এক্স গ্রেসিয়াশিং পীরগনি। নেপাল ভিক্টিমশিংগী ওইনদি হোম দিপার্টমেন্টদগী অয়াবা লৌবা মথৌ তাই হায়রি।

## নিটিশ কুমারনা বি জে পি দা মরাল শিরক্লি

পটনা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

বিহারদা মমাং চয়োলদা রাম নভমি প্রোসেসনগা মরী লৈননা কম্যুনেল ওইবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ষ্টেট অদুদা হান্নগী পুন্সি মহিংদা তপ্না তপ্না অমুক হঞ্জিল্লকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদু বি জে পি না থোকহনখিবনি হায়না বিহার গী চিফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা মরাল শিরক্লি।

নিটিশ কুমারনা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাংলদুনা ফোংদোকখিবদা মহাক্কী পার্টি জে দি (য়ু) না বি জে পি গা চৎমিন্নরম্বা অদুবু তোল্লবা মতুং আর জে দি অমদি কোংগ্রেসকা পুনশিন্নদুনা বিহারদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা নুমিৎ অদুদগী হৌরগা বিহারদা লৈরিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিবু ইন্থুনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

রাম নভমি খোঙজং মনুংদা সেক্যুরিটিগী ওইবা অশোইবা অমত্তা লৈখিদে। অদুমওইনমক মীওই খরনা লৌতুনরগা কাংলুপ নাইবা থৌদোক অদু থোকহনখিবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোংদোরক্লি।

## 'কোংগ্রেস মীচেলশিংগী পার্টিনি'

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জ্যোতিরঅদিত্যা সিন্দিয়ানা ঙসি কোংগ্রেস পার্টিবু হুন্দুনা ঙাংখিবগা লোয়ননা রাহুল গান্ধী লৈবাক অসিগী মায়োক্তা থবক তৌবা মিচেলনি অদুগা কোংগ্রেসনা মিচেলশিংবু য়োকখৎপা পার্টিনি হায়না মরাল শিরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা মশাগী মরাল মতুং ইন্না কোর্টনা রাহুল গান্ধীবু চহি অনি কনভিক্সন পীখিবগা লোয়ননা লোক সভাগী মেম্বর ওইবদগী দিস্কালিফাইদ তৌখিবনি অদুবু হায়রিবা থৌদোক অসি বি জে পি না ইনশিন্দুনা চত্থখিবনি হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শিরিবা অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি। কোংগ্রেস মশাগী আইদোলোজি লৈজদবা ঙৈহাক ঙৈহাক্কী ৱাখলনা থবক তৌবা পার্টিনি। পার্টি অসিদা য়াওরিবশিংসু মশাগী ওইজবা থীবা অমদি লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী খন্দবা ঙাক্তনি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা মতম শাংনা চাওখৎপা ঙমদনা লাকখিবনি হায়রি।

## এমাজোনগা পার্টনরশিপ লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং অনুরাগ থাকুরনা ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং অমসুং এমাজোনগা পার্টনর ওইরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মিদিয়া, ইন্টর্টেনমেন্ট অমসুং পব্লিক এৱারনেসগা মরী লৈননা পার্টনরশিপ লাউথোকপনি হায়রি।

পার্টনরশিপ লাউথোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ফোংদোকখিবদা মতম অমদা ফিল্মবু খোইদাজবা নহাশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরমখিবা অদু হৌজিক্তী কোকহনবা ঙম্লগনি। ঙসি তৌনরিবা এগ্রিমেন্ট অসিনা ফিল্ম ইনষ্টিট্যুটশিংদা টেলেন্ট লৈবা নহা কয়াগী খোঙদাফম পীরগনি।

ইন্দিয়া কাংলুপ কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্বা লৈবাকনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফজরবা শক্তমশিং মীয়ামদা উৎথোক্লবা হোৎনবদা ফিল্মনা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়রি।

এপ্রিল থাগী ৪ দা পাউ চে অসিগী লমাই ৮ দা ফোংখিবা Board of Secondary Education Manipur (BOSEM) গী Exam Centre List তা ৱাৎহৌবা Centre.

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**
**CENTRE LIST FOR FINE ARTS PRACTICAL EXAM 2023**

Annexure - II

| | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 10 | SANATOMBI ORIENTAL ENGLISH SCHOOL, KUMBI | 43723 | KIDS' FOUNDATION SCHOOL, KWAKTA BAZAR | 10 | 183 | 21/04/2023 |
| | | 64111 | SAGANG HIGH SCHOOL, SAGANG | 1 | | |
| | | 47803 | SANATOMBI ORIENTAL ENGLISH SCHOOL, KUMBI | 148 | | |
| | | 47653 | THE DILIGENT PUBLIC SCHOOL, MOIRANG LAMKHAI | 24 | | |

HL-P/6432/06

**IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE SENIOR DIVISION, IMPHAL WEST**

**Original Money Suit No. 104 of 2022**

Thokchom Memi Devi
... Plaintiff
- Versus -
Khagembam Jina Devi
... Defendant

**[illegible] / SUMMONS**
(O.V, r. 20)

To

Khagembam Jina Devi aged about 49 years W/o (L) Kh. Manglem Singh Kakwa Lilando Lampak, P.O. Imphal, P.S. Singjamei, Imphal West, Manipur.

Whereas, the above named Plaintiff has instituted the above Money Suit/filed an application, against you for recovery of a sum of Rs. 1,68,000/- (Rupees one Lakh sixty eight thousand) only, you are hereby summoned to appear in this Court in person or by a pleader on the 10th day of April, 2023, at 10.30 am, to answer the same, failing which the suit/application will be disposed of *ex parte*.

Given under may hand and the seal of the Court, this 3rd day of April, 2023.

SEAL

(K. Nirojit)
In Charge Civil Judge
Senior Division Imphal West, Manipur

By :-
(Advocate)

HL-P/6433/6

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, THOUBAL**

**Ref :- Mutation Case No. 77/SDC/Thoubal of 2023**

Thongam Jodhachandra Singh S/o (L) Ibochouba Singh
of Bramapur Bheigabati Leikai ---- (Petitioner
- Vs -
(Late) Thongam Ibochouba Singh S/o (L) Budhi Singh
of Bramapur Bheigabati Leikai ---- (O.P)

**[illegible] / NOTICE**

Thoubal, the 4th April, 2023

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Thoubal, Thoubal District Tehasil Village No. 93 BENGI u/p No. 18 (new) Covered by C.S. Dag no. 266 গী area .2509 hectares চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে হায়রে, মরম অসিনা মথক্কী দরসখাসকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা Court অসিদা Application থারক্লে, অমদি লৌফম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চে ওইনা কোর্ট অসিদা পীশিনবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই case মখা চৎথজখ্রগনি।

**Sd/- SDC (HQ), Thoubal**
For Sub-Deputy Collector, Thoubal

HL-P/6442/06

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE CHILD DEVELOPMENT PROJECT OFFICER,**
**ICDS PROJECT, IMPHAL CITY.**

**CORRIGENDUM**

Imphal City, the 5th April, 2023

**No. 5/8/Appt-ICDS/IC-16/Corrm.:** Partial modification of the advertised vacant post of Anganwadi Workers, Helpers and Mini Worker published in newspaper "Hueiyen Lanpao" dated on 2nd April, 2023 is as follows.

**Modification in the vacancy post of Anganwadi Workers**

1. At Sl. 14, name of Anganwadi Centre "Thangmeiband Namthalong Watham Maning (Lungdaijang) ST" may be read "Thangmeiband Namthanlong Watham Maning AWC"
2. At Sl. 18, "Uripok Achom Leikai Maning (B)" and Sl. 25, "Lairenjam Leirak Awang" Anganwadi Centre there is no vacant post of Anganwadi Worker.

**Note:**
1. Last date of issuing form has been extended to 13th April, 2023
2. Last date of submission of form has been extended to 19th April, 2023

Sd/-
**(Dr. Th. Lakhipriya Devi)**
Child Development Project Officer
ICDS Project, Imphal City.

HL-P/6282/06

**File No. DT/606/MISC/2023**
GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE: TRANSPORT DEPARTMENT
----
**PRESS RELEASE**
Imphal the 5th April, 2023

The District Transport Officer, Imphal West has submitted a report on a defaming statement issued by one Shri Chongtham Dhruvatara Khaba S/O Ch. Mahendra Singh, Proprietor of Avian House of Khonghampat Awang Leikai, P.O. & P.S. Sekmai, Imphal West in the local daily newspapers i.e., *Poknapham* and *The People's Chronicle* on 02-04-2023 against Shri Yumkham Pritam Singh, Inspector (Enforcement) of DTO, Imphal West District Manipur.

Shri Chongtham Dhruvatara Khaba also uploaded live video of chasing the vehicle of the Motor Vehicle Inspector and uploaded the Facebook profile picture of the officer to identify the officer mentioned in his live video.

Transport Department has examined the complaint made by Shri Chongtham Dhruvatara Khaba through social media and it has come to the knowledge that Shri Yumkham Pritam Singh, Inspector ((Enforcement) of DTO, Imphal West and his team was performing their duty as the enforcement authority of Transport Department. The e-challan (No.MN47564230327060500) for a total amount of Rs. 6,000/- (Rupees Six Thousand only) was issued against the default vehicle and the driver (Kh. Samananda, S/O Kh. Tomba) for not having a valid Driving License at the time of checking i.e. under Section 181 and 184 of Motor Vehicle Act, 1988. Shri Chongtham Dhruvatara Khaba has cleared the challan through online on 28-03-2023 (Receipt No. MNRTE23030000105) which proves that the booking of penalty by the Enforcement team of Transport is right.

It is also learnt that the vehicle bearing Registration No. MN01AA3235 was displaying two registration- one on the Number Plate and another (MN04-7775) on the side of the body of the vehicle which is violation of the provision of MV Acts & Rules.

Moreover, it is also confirmed that the same driver (Kh. Samananda S/O Kh. Tomba) who was driving vehicle bearing Registration No. NL01AA2328 belonging to Chongtham Dhruvatara Khaba was also issued challan (No. MN47564230221065223) earlier on 21-02-2023 for not having a valid Driving License and expired vehicle documents which is sign of a habitual offender of Motor Vehicle Act & Rules.

In the light of the above facts, Shri Chongtham Dhruvatara Khaba S/O Ch. Mahendra Singh of Khonghampat Awang Leikai, P.O. & P.S. Sekmai, Imphal West is making a wrong statement by uploading the video and making allegation of corrupt practice by the Department and the officer of Transport Department through print media and Facebook without any valid proof.

Therefore, it is a kind appeal to all public in general and Shri Chongtham Dhruvatara Khaba in particular to raise any complaint if any to the Department with proof against the concerned officer if the officer of Transport is not conducting duty properly. Transport Department will always accept complaints and rectify it for better service to the people but will not tolerate such baseless allegation without cogent evidence leading to discouragement and humiliation of the officers/teams performing their duties. Appropriate action will be taken up against such individuals who indulge in such wrong propaganda to the general public for their own advantage in future.

Sd/- Dr. Nivedita Lairenlakpam
Director (Transport)
Manipur

HL-P/8109/06

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, THOUBAL, MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 79/SDC/TBL/ 2023**

Oinam Mema Devi W/o (L) Puyam Berendra Singh of Singjamei Waikhom Leikai, Oinam Thingel Leirak, Imphal West.
- Petitioner
- Vs -
(Late) Puyam Muhon Singh S/o (L) Ningthou Singh
of Kshetrileikai - Respondent-

**[illegible] / NOTICE**

Thoubal, the 5th April, 2023.

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা দরখাস অমা থারক্লে মদুদি Village No. 30-Kshetrileikai, Patta No. 207 (N) covered by C.S. Dag No. 43, 44, 45, an area of 0.15120, 0.08120, 0.08120, hects of Ingkhol class, and patta No. 160 (N) covered by C.S. Dag No. 1280 an area of 0.36440 hect of Phourel class অসিগী pattadar শিং অসি মৃতু ওইখ্রে মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মমৌ অসিনা মৃতু pattadar গী মমিং অসি ককলগা মাগী মমিং চংহনবিরো হায়দুনা মথক্কী court অসিদা হায়ররে মরম অসিনা মৃতু pattadar গী লৈহৌরিবা ইমুং মনুং অমদি লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়েৎপিনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোংবদগীনা নুমিৎ ৭ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা court তা লাক্তুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা Objection লৌজরোই; কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/- (Telkhomba Yengkhom)**
Sub-Deputy Collector, Thoubal

HL-P/6442/06

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES**
*****

**N O T I C E**

Imphal, the 5th April, 2023

No. TEX-19/H&T/2023: In order to develop manpower bank of skilled textile workers on powerloom weaving, applications are invited from the interested persons for undergoing 50 working days (fifty) training on powerloom weaving at Powerloom & Allied Service Centre, Lamboi Khongnangkhong, Imphal.

2.0: Selected trainee will be provided stipend @Rs.200/- per day for 50 working days. Thereafter, a data of trained weavers will be developed for job placement in various powerloom units or powerloom industry.

3.0: Minimum qualification of Class-VIII and maximum of 45 years as on 31-03-2023 is eligible. Prescribed form will be available in the District Handlooms & Textiles Offices and Powerloom & Allied Service Centre, Lamboi Khongangkhong.

Last date for submission of application is 17-04-2023 in the prescribed format

Sd/
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

HL-P/8110/06